**Shikshan Sanshodhan** : Journal of Arts, Humanities and Social Sciences ISSN(o): 2581-6241
Monthly, Peer-Reviewed, Refereed, Indexed Journal Impact Factor: 7.384
Volume - 8, Issue - 8, August - 2025

DOIs:10.2018/SS/202508002 --:-- Research Paper / Article / Review

# অঙাং অমসুং অঙাংগী সাহিত্যদা মীৎয়েং অমা

**Kh. Anjana Devi**
Research Scholar, Manipuri Department, Assam University, Silchar
Email: anjanadevi2792@gmail.com

**এবস্ট্রেক্ট :** অঙাং হায়বসি পোকপদগী হৌরগা মশাগী চহি তরনিপাল শুদ্রিবফাওবগী মনুং অসিবু খঙনৈ। অঙাংগী মরমদা কূপ্পা নৈনরকপা মতমদা অঙাংগী সাইকোলোজি অমদি অঙাংগী দিবেলপমেন্ট পিরিয়দ অসি য়াম্না মরু ওই। খ্বঃ কুম ১৮৪০দা Charles Darwinনা অঙাংগী মরমদা ইহান হান্না নৈনবা হৌরকখি। মহাক্কী মতুংদা G. Stanley Hall, Crow অমসুং Crow, Jean Piaget অমদি D. Russelনচিংবা কয়া থোরক্তুনা অঙাংগী মরমদা কূপ্পা নৈনবা হৌরকখি অমদি তোঙান তোঙানবা অঙাংগী দিবেলপমেন্ট থিওরি কয়াসু পুথোকপা হৌরকখি।

অঙাংগী সাহিত্য হায়বসি অঙাংগীদমক্তা খল্লগা ইবা, মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েংগা চান্নহন্দুনা মখোয়দা নুংঙাইবা ফাওহনবতা নত্তনা ইনফোরমেশন অমা পীবা ঙম্বা মখলগী সাহিত্যনি। মসিদা শৈরেং, ৱারেং, নোভেল, দ্রামা, ৱারীমচা অমদি লমকোয়ৱারীনচিংবা খুদিংমক কোনশিল্লি। অঙাংগী সাহিত্যদা অইবা অমনা অঙাংগী করেক্তর অদুদা পুক্রিং লূপশিন্দুনা মখোয়না খল্লমগদবা ৱাখল, শাগৎলমগদবা মঙলান, ঙাংন-শক্করিবা ৱাহৈ ৱাতা খুদিংমক্তা মীৎয়েং থল্লগা ইবা মথৌ তাই। অঙাংগী সাহিত্যসি অঙাংশিংদা য়াম্না লায়না লীবা তেনতকপা ৱারীনি। মসিদা অঙক-অঙকপা থৌদোকশিং য়াওহন্দুনা অঙাংশিংদা তুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বগী ঈখৌলাংবা পোকহনবা মখলগী খুৎইনি। অঙাংগী সাহিত্য অসি অঙাং অহল খাক্তনা অনীমক্তা নুংঙাইবা পীবা মখলগী খুৎইনি। মসিনা অঙাংশিংদা লোন অমবু ইবা, পাবা অমদি খঙবা ঙমহনবতা নত্তনা মখোয়গী নীংশিংবগী শক্তি অমদি অনৌ-অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপদসু মতেং পাংই।

**কি-ৱার্দ** : অঙাং, সাহিত্য, ৱারী, নুংঙাইবা।

## 1. ৱাহৌদোক

অঙাংগী সাহিত্য হায়বসি ইংরাজীদা চাইল্দ লিটরেচর (Child Literature), চিলদ্রেন লিটরেচর (Children Literature) নৎত্রগা জুবীনাইল লিটরেচর (Juvenile Literature) হায়না খঙনৈ। অঙাংগী সাহিত্য হায়বসি অঙাংখক্তগী ওইবা, চহী মতাংগী মতুংইন্না মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েংগা চান্নহন্দুনা মখোয়দা লৌশিং জ্ঞান পীবা ঙম্বা সাহিত্য অদুবু খঙনৈ। অঙাং হায়বসি পোক্লকপদগী হৌরগা মশাগী চহী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অদুবু খঙনৈ। তশেংনা অঙাংগী সাহিত্য অসি গ্রীস অমদি য়ুরোপতা ১৭শুবা চহীচাগী মতমদগী থোরকখ্রবসু মশক থোকপা অঙাংগী লাইরিক পুথোরকখিবদি ১৮শুবা চহীচাদা John Newberryননি হায়না লৌনৈ। মহাক্কী *A Little Pretty Pocket Book* (১৭৭৪)না অঙাংগী সাহিত্যদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকখি।

ভারত্তা মমাংঙৈদগী হৌনা পঞ্চতন্ত্রগী ৱারীনা অঙাংশিংদা লৌশিং জ্ঞান পীদুনা লাকলম্মী । বৃটিশনা খূদুম চল্লবা মতুংদগীদি স্কুল কয়া লিংখৎতুনা অঙাংগী তম্ন-লাইরিক পুথোকপা হৌরকখি । মসিদগী ভারত্তা অঙাংগী সাহিত্য থোরকপা হৌরকখিবনি হায়বা য়াই । ভারত্তা ইহান হান্না অঙাংগী সাহিত্য চাওখৎলকখিবসি বাংলা সাহিত্যদগীনি । ১৯শুবা চহীচাগী মতমদা বিদ্যাসাগরনা বাংলা লোনগী অঙাংগী সাহিত্যদা অনৌবা য়াওল অমা পুরকখি । ২০শুবা চহীচাগী মতমদা Sankar Pillai না National Book Trust (১৯৫৭) লিংখৎতুনা অঙাংগী সাহিত্য চাওখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরম্মী । মসিগী মতুংদগীদি হিন্দি, তামিল, টেলেগু, মরাঠী অমদি আসামিজ লোনদা অঙাংগী সাহিত্য অসি মপূং ফানা চাওখৎলকখি । মণিপুরী লোনদসু অঙাংগী সাহিত্য অসি ২০শুবা চহীচাগী মতমদগী হৌরকখিবনি।

**2. নৈনবা:** অঙাং হায়বসি পোকলপকদগী হৌরগা মশাগী চহী তরানিপাল ফাওবগী মনুং অসিবু খঙনৈ । অঙাং হায়বা ৱাহৈ অসি ইংরাজীদা Child নৎত্রগা Baby হায়রগা খঙনৈ । Child হায়বা ৱাহৈ অসি অরিবা ইংরাজীগী ৱাহৈ Cild হায়বসিদগী লাকখিবনি । মসিগী অর্থদি অঙাং হায়বনি । ৱাফম অসিগী মতাংদা *Oxford English Dictionary* দা অসুম্না ইরম্বা থেংনৈ । মদুদি :

> The word ‘child’ comes from the old English word cild, which means ‘Child’ or ‘Infant’ ... A young human being below the age of puberty or below the legal age of majority.

Baby হায়বা ৱাহৈ অসি Babe হায়বা ৱাহৈসিদগী লাকখিবনি । মসিগী অর্থসু অঙাং হায়বনি । Babe হায়বা ৱাহৈ অসিবু Infant হায়রগসু খঙনৈ । Infant হায়বা ৱাহৈসি লেটিন ৱাহৈ Infans হায়বসিদগী লাকপনি । মসিগী অর্থদি 'Baby' নৎত্রগা 'Child' হায়বনি । Oxford English Dictionary দা Baby হায়বা ৱাহৈসিগী মতাংদা অসুম্না পল্লম্মী । মদুদি :

> The word "Baby" originated in English during the Middle English Period (1150-1500). The Earliest known use of the word was by poet William Langland around 1440. The word baby is derived from the word "Babe" and the suffix 'y'.

অঙাং হায়বসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা অখঙ-অহৈশিংনা মাগী মাগী ওইবা মোত পীনরম্মী । Indian Constitution দা Care and Protection of Child, 2000গী মতুং ইন্না অঙাং হায়বসিগী মতাংদা অসুম্না পল্লম্মী :

> In India after passing Juvenile Justice (Care and Protection of Children) Act 2000, any person below the age of 18 is considered as a child as the mental state of adults and children are different; therefore there is a need to treat them separately under the different purview of law.

পোকলকপদগী হৌরগা মশাগী চহী ১৮ ফাওবগী মনুং অসিবু অঙাং হায়না লৌনৈ । চহী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংগী মেন্টেল ষ্টেট (Mental state) অসি এদল্ট ওইরবা মীওইশিংদগী তোঙাল্লি মরম অদুনা মখোয়দা য়েংশিনবিবা অমা মথৌ তাই ।

International Law মতুং ইন্না, চহী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংবু অঙাং হায়না খঙনগনি :

> A child means every human being below the age of 18 years.

খৃঃ কুম ১৯৮১দা The United Nations Convention on the Rights of the Child (UNCRC)না অঙাংগী মতাংদা অসুন্না পল্লম্বা থেংনৈ :

> A child means every human being below the age of 18 years unless, the law applicable the child, majority is attained earlier.

পোকপদগী হৌরগা মশাগী চহী ১৮ ফাওবগী মনুং অসিবু অঙাং কৌগনি। ৱাফমসি ইন্দিয়াদতা নত্তনা মালেমগী ওইনা য়ান্নরবা ৱাফমনি।

১৭শুবা চহীচাগী লোইরমদাই খৃঃ কুম ১৬৯০দা John Locke, মালেমগী অফাওবা ফিলোসোফরনা অঙাংগী সাহিত্য অমদি অঙাংগী মরমদা য়াম্না কুপনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চৎথখি। মসিগী মহৈ ওইনা *An Essay Concerning Human Understanding* কৌবা লাইরিক অমা ফোঙলকখি। লাইরিক অসিদা মহাক্না অঙাংগী মরমদা শাগৎপা থিওরি অমসু পুথোরকখি। থিওরি অসিবু মহাক্না Tabula Rasa হায়না থোল্লি। 'Tabula Rasa'গী অর্থদি Blank Slate (অহাংবা কোর্বাক) হায়বনি। লাইরিক অসিদা মহাক্না মীওইবগী ৱাখল (mind) অসি পোকলকপা মতমদা করিসু য়াওদনা ইহাং হাংনা লাকই হায়না পল্লি। ইহাং হাংবগী মশক অসিবু মহাক্না Tabula Rasa হায়না থোলম্মী। ৱাফম অসিবু John Lockeনা মহাক্কী *An Essay Concerning Human Understanding* হায়রিবা লাইরিক অসিদা অসুন্না ফোঙদোকলম্মী। মদুদি :

> The mind is as a white paper, void of all characters, without ideas, like as empty cabinet as yet unfurnished. The mind is Tabula Rasa, a black slate. The material of furnished the cabinet is the knowledge that comes from experience.

অঙাং অমনা পোকলকপদা য়াওরকপা অহাংবা মফম (Blank mind) অদুদা মমা মপা ওইবশিংনা চৎলিবা লমচৎ-শাজৎ, খল্লিবা ৱাখলশিং ঙাংন-শন্নরিবা ৱাহৈ-ৱাতা খুদিংমক তপ্পা তপ্পা হাপচিনবা হৌরকই। মমা মপাগী হেক মথংদা অকোয়বগী ফিভম অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ময়ামদগী অমুক তপ্পা তপ্পা মতৌ তমদুনা লৌশিনবা হৌরকই। মরম অদুনা অঙাং অমা য়োকপা মতমদা মমা-মপা অমদি মাগী অকোয়বগী ফিভম য়াম্না ফহনবা মথৌ তাই।

John Locke কী ৱাখল্লোন অসিনা অঙাংগী সাহিত্যগী মশক নৌনা শেমগৎলকপদা অচৌবা শাফু পীখি। মসিনা মরম ওইরগা স্কুল তম্ফমশঙদা তম্লিবা পারাখক্তনা অঙাং অমগী অফবা পুন্সি শেমগৎলকপদা মায়পুনবা ওইথোক্তে হায়বসি খঙনরকখি। অঙাংগীদমক্তা শেম শাদুনা মখোয়না খঙনিংলিবা পূম্নমক চহী মতাং য়েংদুনা খঙহনবা ঙমগদবা সাহিত্য অমা মথৌ তাই হায়বসি খঙনরকখি। মসিদগী অঙাংগী সাহিত্য অসিবু য়াম্না মরু ওইবা সাহিত্য অমা ওইনা লৌনবা হৌরকখি।

অমরোমদা জোন লোক (John Locke)কী থিওরি/ৱাখল্লোন অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা Rousseauনা অঙাং হায়বসি পোকলকপদগী হৌনা মশাগী গুণ খরদি লোয়নরগা লাকলবনি হায়বা ৱাখল্লোন অমা মহাক্কী লাইরিক *Emile or Concerning Education* হায়রিবা অসিদা উবা ফংই। মদুদি :

> Children are born with inherent talent and potential, which unfold as they grew. Growth is achieved as a result of experience and learning. The growth also followed a time table...

মতৌ অসুন্না Rousseauনা অঙাং অমা পোকলকপা মতমদা মশাদা লোয়নরকলিবা গুণ অদু (talent) মহাক্কী মমা মপা ওইবশিং অমদি অকোয়বগী ফিভমনা ফরবদি তুংদা মহাক্কী talent (গুণ) অদু হেন্না অফবা, হেন্না চাওখৎপা অমদি মায় পাকপা মীশক অমা হায়বদু ওইবা ঙমলকই । অদুবু মমা-মপা অমদি অকোয়বগী ফিভমনা ফৎত্রবদি পোকপদগী লোয়নরকলিবা অফবা talent (গুণ) অদুসু মফম অমদি মতমগী মতুং ইন্না মশাদগী তপ্পা তপ্পা মাঙখিবা ফাওবা য়াই হায়না পল্লম্মী । মরম অদুনা অফবা অঙাং অমা শেম্বদা মমা-মপা অমদি অকোয়বগী ফিভম য়াম্না ফহনবা মথৌ তাই ।

অঙাংগী সাহিত্য হায়বসি জাতি অমগী তুংগী পুন্সিগী মশক লেপ্পা ঙম্বা মখলগী সাহিত্যনি । সাহিত্যগী ইতিহাসতা সমালোচক কয়ানা মীৎয়েং চীংশিনবিদবা সাহিত্য অমা ওইরমলবসু হৌজিক্তি সমালোচক কয়ানা হেন্না পুক্নিং চংশিল্লকলিবা অমদি য়াম্না মরুওইবা সাহিত্য অমনি হায়না লৌবদা থোইদোক্লা কায়দে । অঙাংগী সাহিত্য হায়রগা ময়াম্না লৌনরিবদি— অঙাংগীদমক্তা খল্লগা ইবা, মখোয়গী ৱাখল, মীৎয়েংগা চান্ন-চুন্নহন্দুনা মখোয়দা নুংঙাইবা মহাও অমা ফংহনবা ঙম্বা মখলগী সাহিত্য অদুবুনি । অঙাংগী সাহিত্য হায়বসিসু অহলগী সাহিত্যগী মতৌগুম্না, শৈরেং, ৱারেং, ৱারীমচা, নোভেল, দ্রামা, লমকোয়ৱারী অমদি পুন্সিৱারীনচিংবা খুদিংমক চল্লি । অঙাংগী সাহিত্যবু ইংরাজীদা 'চাইল্দ লিটরেচর' নৎত্রগা 'চিলদ্রেন লিটরেচর' নৎত্রগা 'জুবীনাইল লিটরেচর' হায়না খঙনৈ । The Library of Congress Collection Policy Statementদা অঙাংগী সাহিত্যগী মরমদা অসুন্না পল্লম্বা থেংনৈ :

> Children's Literature as material written and product for the information or entertainment of children and young adults. It includes all non-fiction, literary and artistic genres and phisical format.

অঙাংগী সাহিত্যনা অঙাংশিংদা করিগুম্বা পাউতাক অমা খঙহনবগা লোয়ননা মখোয়গী লৌশিং-জ্ঞান হেনগৎহন্দুনা নুংঙাইবা পীবনি । মসিদা চুম্না লীবা ৱারী, ভাবনা শাজিনবা ৱারী অমদি করিগুম্বা অমগী লৈজরিবা মশক অদু লায়না ইথোক্তুনা খঙহন্নবা হোৎনবনি । মখল অসিগী খূৎই মওংসি য়াম্না লায়না ইবা মওংগী মই মাল্লগা কূপ্পা য়েংশিল্লুরবদি য়াম্না লুবা মখলগী খূৎইনি । ৱাফম অসিগী মতাংদা Margey Bayne না *The Writing Co-operative* তা পল্লম্মী মদুদি :

> ... Sometimes it seems that there are writers who become interested in writing Children's Literature from the misguided idea that writing for adults. Its not Period. End of sentence. It would be like saying writing sci-fi is harder or easier than writing historical fiction. They are different geners with different challenges and expectation.

অঙাংগী সাহিত্য অসি ইনিংঙি হায়দুনা পংই-ইবা য়াদে । অঙাংগী সাহিত্য ইবা অইবা অমনা অঙাংগী কারেক্তর অদুদা পুক্নিং লুপশিন্দুনা মখোয়না খল্লমগদবা ৱাখল, শাগৎলমগদবা মওলান, ঙাংনবা ৱাহৈ-ৱাতা খুদিংমক্তা মীৎয়েং থম্লগা ইবা তাই ।

অঙাংগী লাইরিক অমদা য়েকলিবা চরিত্র, ৱারী পরিং, লোন অমদি মখোয়না সংসার অসিদা য়েংলিবা মীৎয়েং,

ৱাখল অমদি পুকচেল অদু হাপতুনা ইরকলগদি অফবা অঙাংগী সাহিত্য কৌবা য়াই। খূৎই অসিগী মশক নাইবা অইবা (Legendary Writer) Ruskin Bondনা IANSগী ইন্টরভিয়ু অমদা অঙাংগী সাহিত্য ইবগী মতাংদা অসুম্না হায়রম্মী :

> Writing for children is not an easy task. You have to get their attention in page one itself or they will keep away the book. You got tell the story...

মহৌশানা অঙাংশিংনা খোয়দাজবসি য়াম্না লায়না লীবা অমসুং তেনতকপা ৱারীশিংনি। অদুগা অঙক অঙকপা থৌদোকশিং য়াওবা তুংদা করি ওইরক্কনি হায়বগী ঈখৌ লাংবা পোকহনবা সসপেন্স পীবা ৱারীশিংদুনি। মখল অসিগী খূৎইনা অঙাংশিংবু মীগী মতেং য়াওদনা মরোমদোম পাজবা ঙম্বা অমদি হেন্না পানিংবগী ইহুল ফাওহল্লি। অসুম্না অঙাং অমবু লাইরিক-লাইশু, লৌশিং-জ্ঞান তানশিনবগী মমল হেনগৎহনবতা নত্তনা খুদক্তা পাদুনা নৎত্রগা ইদুনা ফোঙদোকপা ঙম্বগী হৈশিংবসু উৎথোকপা ঙমহল্লি। মতাং অসিদা এন. খোগেন্দ্রনা অঙাংগী সাহিত্যগী মতাংদা অসুম্না ৱাফম থম্বীরম্মী :

> অঙাংগী সাহিত্য হায়বসি অঙাংগীদমক্তা ইবা, অঙাংনা পানিংগদবা অমসুং মদু পারুরগা অঙাংশিংগী ইবা পাবগী শক্তি অদু শাগৎপদা মতেং ওইনবা পুথোরকপা সাহিত্য মখল অমনি। কনাগুম্বা সাহিত্য শুবা কাংবুনদি হায়রিবা মওং অসি অঙাংশিংবু নুংঙাইহন্নবা সাহিত্যগী মওংনি হায়নসু খঙনৈ।

অঙাংশিংনা লাইরিক হেন্না পারিবমখৈ লোন অমা ইবা, পাবা, খঙবা ঙমলকপতা নত্তনা মখোয় মশানা মশাগী আইদিয়া, ৱাখল্লোন পুথোকপসু ঙমলকই। অনৌ অনৌবা ৱাখল থোরক্তুনা লৌশিং লৈবা, মশাগী ৱাফম অমা থমলকপদা মথৌনা লৈবা, অচুম্বা উৎপা ঙম্বা মীশক অমা ওইরকই।

3. **ৱারোইশিন** : অঙাংগী সাহিত্য অসি অঙাংখক্তদা মীৎয়েং থমদুনা মখোয়গী ৱাখলগা চান্ন-চুন্ননা ইরকপা সাহিত্য অমা ওইজরবসু মসি অহলশিংনসু য়াম্না থৱায় তানা পাবা থেংনৈ। অঙাংগী লাইরিক পারগা অহলশিংনা মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিবু মীৎমাংদা উহনবতা নত্তনা মতমদুগী থৌদোকশিং নীংশিংদুনা মখোয়না মখোয়গী মনুংদা লৈরিবা (Inner child) অঙাংগী ৱাখল পুথোরক্তুনা নুংঙাইবা পোকহল্লি।

মরম অদুনা অঙাংগী সাহিত্য অসি অঙাং, অহল অনীমক্কা পামজবা সাহিত্য অমনি হায়না লৌবা য়াই। অঙাংগী লাইরিক অমা ইরকপদা অইবনা অঙাংগী সাইকোলোজি অমদি দিবেলপমেন্ট পিরিয়দশিং খঙবা তঙায়ফদে হায়বা য়াই। অমরোমদা অমুক কনাগুম্বা অইবা অমনা অঙাংগী সাহিত্যনি খঞ্জদুনা লাইরিক অমা ইরগা মদুবু হেক্তা অঙাংগী সাহিত্য অমনি হায়না লৌরুরবদি অরানবা তাগনি। মরমদি অইবা অদুনদি অঙাংগীদমকনি খল্লগা ইরম্বা য়াই অদুবু অঙাংগী ৱাখলগা চান্নদবসু য়াই। মরম অদুনা অঙাংগী সাইকোলোজি অমদি দিবেলপমেন্ট পিরিয়দশিং খায়দোকলিবা অদুগা চান্নহন্নদুনা মখোয়দা লৌশিং-জ্ঞান হেনগৎহনবা, পাউতাক য়াওবা, অৱাবনা পোলোইদবা, নুংঙাইবনা পোলোই ওইবা, অফবা লমচৎ শেমগৎহনবা, মথৌনা হাপ্পা, শা-উচেক্কীদমক মীনুংশি পোকপা, ফাগী-যুগাই য়াওবা লাইরিক ওইগদবনি।

অঙাংগী চহী মতাং খেন্নবগী মতুং ইন্না অঙাংগী সাহিত্য ইরকপগী মওংসু তোঙাল্লি। অঙাংগী সাহিত্য হায়বসি মশাগী লোন, খূৎই অমসুং খূৎফোঙদোক লৈজে। মণিপুরী অঙাংগী সাহিত্যদা লাইয়েক য়াওবা খূৎই অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌনৈ। লাইয়েক য়াওবা খূৎইনা অঙাংশিংদা পারীবা ৱারী অদুবু মীৎমাওদা শং শং উহনদুনা নুংঙাইবা ফাওহনব ঙম্মী। মসিনা অঙাংশিংগী কম্যুনিকেশন স্কিল অমদি ৱাখল খনবগী শক্তি হেনগৎহল্লি।

মতৌ অসুম্না অঙাংগী সাহিত্যদা শীজিন্নরিবা লোন, খূৎই অমদি খূৎফোঙদোক্কী মওংসি তোপ তোপ্পী। অনৌ

অনৌবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা অঙাংশিংদা লোন লায়না খঙহন্নবা, ৱাখল খনবগী শক্তি হেনগৎহন্নবা হোৎনরকই। পাউতাক অমমম পীদুনা অঙাংশিংদা হরাও-নুংঙাইবা পীবনা পান্দম ওইরগা ইরকপা মখলগী খূৎইনি হায়না লৌবা য়াই।

## মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং :


1. কুমারী চনু ৱাহেংবম। "হৌজিক ওইরিবা অঙাংগী খোরিরোলগী ফিভম"। *সাহিত্যগী পাউ*, ৯৩-৯৪শুবা মশীং, ইম্ফাল : রাইটর্স ফোরম, ২০১৬।
2. ভুবনস্না, রাজকুমার। "মণিপুরীদা অঙাং সাহিত্য কমদৌরিবগে?"। *সাহিত্যগী পাউ*, ৩২শুবা মশীং, ইম্ফাল : রাইটর্স ফোরম, ২০১০।
3. ভুবনস্না, রাজকুমার। "মণিপুরী সাহিত্যদা অঙাংগী সাহিত্যগী মশক"। *সিরিন মেলোদিস*, ফেষ্টিভেল ওফ লিটরেচর দান্স এন্দ ম্যুজিক, ইম্ফাল : রাইটর্স ফোরম, ২০১৯।
4. ময়েংবম, দিলিপ। "অঙাংগী খোরিরোলগী মশক"। *সাহিত্যগী পাউ*, ৯৫/৯৬শুবা মশীং, ইম্ফাল : রাইটর্স ফোরম, ২০১৬।
5. মেরিনা, সাগপম। "বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী অঙাংগী সাহিত্যগী মশক"। *লৈকোল*, ১৯শুবা মশীং, ইম্ফাল : লৈমরোল খোর্জেকোল, ২০১৯।
6. মৈতৈ, লনচেনবা। "ঙল্লিঙৈগী মণিপুরদা অঙাংগী সাহিত্য"। *সাহিত্যগী পাউ*, ১০০-১০১শুবা মশীং, ইম্ফাল : রাইটর্স ফোরম, ২০১৮।
7. সিংহ, হাওবম ননীকুমার। "চীনবুং সাহিত্যদা অঙাংগী পূক্নীংমতা", *ঋতু*, ২১০-২১১ শুবা মশীং,
8. ইম্ফাল : দ কলচরেল ফোরম, ২০২৩।
9. Devpurkar, Sulbha. *Children's Fiction in India: A Critical Study.* New Delhi: Shree Niwas Publication, 2012.